# শ্রীশ্রী গোবিন্দজিদা কৎচবা মহা ধুমেন, ২০২৫

- নামৈরাকপম রিকেশ মঙাং -

সাউথ-ইষ্ট এসিয়াদা মনীং-মখা তম্না কনাগীসু মীখা পোন্দনা মশাগী লোল, ময়েক অমদি ফজরবা চৎনবী লৈজবা সনাগী শেনয়েক চৎনরম্বা ইরৈপাক-ইরমদমনি সনা লৈপাক মণিপুর। ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌরগা ঙসি ফাওবা মালিয়াফম্পালচা কুমশিং ৩৪২৪ য়ৌরক্লবা মতম অসিফাওবা ফজরবা ঐখোয়গী কলচর অসিবু ঙাক্তুনা মীরোল অমদগী মীরোল অমা ফাওবা পুদুনা চৎলিবা অসিনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী ফূরুপ অসি কাঞ্চুল মুত্তনবগী লম্বী অমসু ওইরি।

১৭শুবা চহী চাগী অথেংবা অশ্বাইদগীদি মণিপুরদা মৈতৈশিংগী কলচর অমসুং লাইনীংদা হিন্দুইজমগী শাফু ফংখি। মণিপুরী খুন্নাইদা পীখিবা শাফূ অদুগী মাঙজবশিং অদুবুনা নাকল অমরোমদা খরখজিক নাথৈজরল্লগা হিন্দুইজমনা মণিপুরদা চঙলকপদগী মণিপুরগী কলচরদা খুদোল তম্লরবা ফজরবা লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈনবা পর্ফোর্মিং আর্টশিংগী মনুং চন্না নট সঙ্কীর্ত্তন অসিসু অমনি। মণিপুরী বৈষ্ণবাইটশিংগী পর্ফোর্মিং আর্ট অমা ওইরিবা নট সঙ্কীর্ত্তন অসিদা খূত্তা কর্টান পায়দুনা ফজরবা শাথেক্লা য়োল্লগা চোলোমগা লোয়ননা শ্রী রাধা কৃষ্ণ অনীগী লীলা কয়াবু খোঞ্জেলগী অনেম-অৱাংদা শৈথাজবা, হেক উবদা থম্মোয় পেনবা মনাও অমসুং মরূ অনীগী পুঙলোনগা শাগোন্নরিবা পুঙ চোলোম অমসুং ইবুংঙো মহাকমক থৌরম অসিদা য়াওবগুম ফাওহল্লিবা মোইবুং অনীদুগী নিল্লবা খোঞ্জেলশিং অসি উবা অমসুং তাবা ফংই। আর্ট মখল অসিবু মহারাজনা (great sacrifice) অমনি হায়নসু লৌনৈ। অসুম্না ফজরবা আর্ট মখল অসিবু United Nations Educational, Scientific and Cultural Organization (UNESCO) না কুমজা ২০১৩গী দিসেম্বর ৪দা মশক খঙবীখি। মশক খঙবীবগা লোয়ননা আর্ট মখল অসিবু "Intangible Cultural Heritage of Humanity" নিসু হায়বীখি।

অসুম্না নট সঙ্কীর্ত্তনগী মনুং চনবা অচৌবা থৌরম অমা ওইনা মণিপুরগী কলচরদা অদুঙৈগী মতম অমগী মমিং লৈরবা মণিপুরগী কর্ত্ত মহারাজ (রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র-১৭৫৯-১৭৯৮ সী ঈ) না লিংখৎপীরমদুনা খুদোল ওইনা তম্বীরম্মী "মহা ধুমেন"। মণিপুরগী শক্লাইরবা ওজাশিং হায়বদি মিং ওইনা হঙ্গৎচরবদা অঙোম গোপি, গুরু প্রেমানন, অখাম রশানন, চেসম নিত্যাই অমসুং থাকুর শ্যামানন্দনচিংবা অমদি পন্দিটশিংগা লোয়ননা ৱানা হোৎনদুনা কর্ত্ত মহারাজনা লিংখৎপীরম্বা মহা ধুমেন অসি লাইবক থীবদগী মহারাজনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবনা মরম ওইরগা শ্রীশ্রী গোবিন্দজিদা কৎপা ফংজখিদে। অদুবু মচা ইবুংঙো চৌরজিৎ মহারাজনা মপা ইবুংঙোগী কুমওন ফিরোইদা হায়বদি লানবনগী থাশি নোংমাইজিং নুমিৎ, ১৭৯৮দা শ্রী গোবিন্দগী চরন্দা কৎচখি। কর্ত্ত শাগৈনা কৎচবনি হায়বগীদমক 'কর্ত্ত ধুমেন' হায়নসু খঙনখি।

সনামহী সিধিদগী পুথোকখি হায়না লৌনরিবা মহা ধুমেন অসিগী থৌরম পরেং অপূম্বা পূম্নমক মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রগী মমঙদা শ্রী গোবিন্দনা লেঙবীরক্তুনা তাকপীরম্মী হায়নসু ওজাশিংনা হায়নরি। মতাং অসিদা পুশিঞ্জনীংবা ৱাফম অমনা মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রগী মমঙদা শ্রী গোবিন্দনা লাক্তুনা উহনবীখি হায়বা পূম্নমক অশেংবা নত্তে হায়দুনা "ভাগ্যচন্দ্র লারৈ-লাথুপ" কৌবা পুয়ানা যূম্ফম ওইদুনা কনাগুম্বা ইফূরুপশিংগী মরক্তুগী ক্রিটিসাইজ তৌদবসু নত্তে। ওজাশিং কয়া লোয়নজরুবা মতমদা থৌরম অসিগী মমিং অসি "ধ্রুমেল", "ধুবমেল" নৎত্রগা "ধুমেন" কৌগদবনি হায়বা মরৈ ময়াম লৈরবসু ননাই ঐদি গুরুগী য়াথং তুংইন্না "ধুমেন" ওইনা শীজিন্নজরে। মরমদি ধুইমিনদগী ধুমেন তাখি হায়বী, অনী পুনশিল্লগা মরু ওইবা অমা ওইখি অদুগী ধুইমিন হৌজিক্লা ধুমেন হায়বা অসিনি তাকপী। পুনশিল্লিবা অনী অদুদি করি-করিনো হংজবদা মীতৈগী অরিবা লাইনীং লীচৎ অদুগা হিন্দু লাকপদগী অনৌবা লাইনীং অসিগী লীচৎ অসিগা অনী অসি পুনশিল্লগা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নবা অদুনি তাকপী। কর্ত্ত মহারাজ মশামক্লা লিংখৎপীরম্বা পুং ২৪ চূপ্পা লেপ্তুনা চত্থগদবা অচৌবা আর্ট মখল অসিদা কর্তান পায়দুনা ঈশৈ শকপা ৬৪, পুঙ য়ৈবা ১৪, মোইবুং খোঙবা অমসুং মান্দব মপু হায়রিবশিং অসিনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরি।

মহা ধুমেন অমা পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক অসিদি অদুক্কী মতিক শীংথানীংঙাই ওইবা মশক অমনি। শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী মফমদা অসিগুল্লবা মহাযজ্ঞ অমগুল্লবা মহা ধুমেন অসিবু কৎচরবদি লৈবাক অদুগী নিংথৌ খক্তা নত্তনা অঙম-অথৌ পূম্নমক য়াইফনবগীদমক অমদি লৈবাক অদুবু অৱা-অনা তাদনা শান্তি লৈনা নুংঙাই-য়াইফনা পানবা ঙমগনি থাজনৈ। অসিখক্তসু নত্তনা করিগুম্বা লৈবাক অসিবু খুদোংথীবা নংলবদি মদুদগী নান্থোক্তুনা লৈবাক অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লক্লবগীদমক ইবুংঙোগী মফমদা মহা ধুমেন অসি কৎলবদি ওইথোক্কনি থাজনৈ। অসুম্না মহা ধুমেন অসিদা য়াওরিবা পুঙ য়ৈবা ১৪ অসিনা য়ৈরিবা সঞ্চার ১৪, শাগৎলিবা রাগ ১৪ অসিনা মরোল ১৪ হায়বদি থক্কী ৭ অমসুং খাগি ৭ অসিবু খঙহল্লি। মহা ধুমেনগী ৬শুবা সঞ্চারদা ব্রহ্মন ৫না মন্দির (মান্দব) ময়ায় চঙদুনা দেপাহোটি মৈরা চুখৎলগা ধাধি মঙ্গোল পুজা হৌদুনা মেংক্রুপ অমসুং কবোক চাইবা লোইরগা মায়কৈ মরি কৌব্রুদগী হৌদুনা দ্যূটি ওকই। মসিগী মতুং চফু অদুদগী শঙ্গোম অদু হৈনৌ মনানা থৌগল ফংলিবা পূম্নমক্কী মফমদা চাইথোকই। অসুম্না চথরকপনা চফু অদু মন্দির ময়ায় অদুদা থাদদুনা থুগাই। মসিনা খঙহল্লিবা নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক অদুদি মরোল ১৪দা লৈরিবা ফত্তবা পূম্নমক মাঙহল্লবনি হায়বা অসিনি।

অসিগুম্বা থাজনবী কয়া অসি লৈবনা ঙসিসু মণিপুরগী মশক নাইরবা ওজাশিংগী পাউতাক্তগী হৌজিক-হৌজিক তংদু-লৈতাদ্রিবা মণিপুর অসিবু ঈংনা-চিক্লা পান্নবা হান্নগী মতৌগুম শান্তি হঞ্জিল্লক্লবা অমসুং মকোক-মরূ পান্দবগুম লৈরিবা খুদোংথীবা কয়া অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী মফমদা মহা ধুমেন অমা চৎলিবা কুমজা ২০২৫ অসিগী পোইনুগী ৭নি পানবা শগোলশেল, নবেম্বর ২৭তগী হৌরগা পোইনুগী ৮নি পানবা ইরাই নুমিৎ তাং ২৮ ফাওবা চত্থদুনা কৎচখি। হায়রিবা থৌরম অসিদা মপূং ওইনা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লোয়শঙ অপূম্বগী মতেংগা লোয়ননা মহা ধুমেন কৎচখি। মহা ধুমেন অসিদা ওজা থোকচোম ইবোহলনা মকোক চীংবীদুনা পুঙ য়ৈবা ১৪, ওজা নিংথৌজম শ্যামচান্দনা ঈশৈ হনবা ওইবীদুনা ঈশৈ শকপা ৬৪, ওজা সোইবম হিমট (হঞ্জবা) না মকোক ওইদুনা মোইবুং খোংবা ১৫, ওজা লোইতোংবম ফুলোচান্দ (পুরেল) না মকোক ওইবীদুনা অরাংফম ৭, ঐজ্ঞা গুরুময়ূম গৌরমনি শর্ম্মনা মকোক ওইবীদুনা মান্দব মপু ১০, পুজারি ঐজ্ঞা ১২, লাইমনাই ৩, ভন্ধারি ৬না পুন্না শরুক য়ামিন্নখি।

কুমসি চহী ২০২৫ অসিদা মহা ধুমেন অমা শ্রী গোবিন্দদা কৎচগনি হায়না থৌরাংলিবা অসি তশেংনা হায়জরবদা হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌদুনা মণিপুর অসিদা থোকখিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অসিনা শান্তি লৈত্রিবা মণিপুর অসিবু শান্তি লৈহন্নবগী পান্দমদা অমসুং চৎলিবা চহী ২০২৫ অসিগী ফেব্রুৱারী ১৩দগী মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল লাক্তুনা মকোক-মরূ পান্দবা লম অমা ওইরিবা অসিদগী কন্নবগীদক্তনি হায়বা অসিনি।

লাকচনীংলিবা ৱাফমদি থৌরম অসিবু হকথেংননা য়াওজরুবা মতমদা মণিপুরগী শক্লাইরবা ওজা ময়াম অদুগা পুনজরুবা মতমদা মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না মীহুৎ ওইনা থাগৎলক্লিবা এম এল এশিং অসিনা পুনশিল্লগা অমত্তা ওইনা মহা ধমেন অসি কৎপগী মহুত্তা করিগী এম এল এ অমখক্তংনা শেল পুথোক্তুনা শরুক য়ারিবনো হায়বা ৱাহং অসি হংনহৌই। এম এল এ ৬০ অদুগী মরক্তগী অমা খক্তনা চীফ মিনিষ্টর (সী এম) ওইগদবনা শান্তি হঞ্জিল্লক্লবগী নমাদা মহা ধুমেন অসিবু কত্তুনা মহাক্লা সী এম ওইনীংবগীদমক লাইদসু করপশন তৌরব্রা হায়বা ৱাহংশিং হংনহৌই।

লৈঙাক পায়রল্লিবা পোলিটিকেল পার্টি অদু হিন্দু ধর্ম্মবু চেৎনা থাজজবা পার্টিনি হায়নৈ। অসুম্না পার্টি অদুগী টিকেটতা ভোট কারকখ্রবশিং অদুনা তশেংনা মণিপুরগীদমক খন্দুনা শান্তি হঞ্জিনহনবা পাল্লবদি মখোয় পূন্না করিগীদমক মহা ধুমেন অসি কৎমিন্নদ্রিবনো হায়বা ৱাহং হংনহৌই। পান্দম অনী ফংননবগীদমক হায়বদি শান্তিগী অমা, লৈবাক নিংথৌগী অমা অসুম্না পূন্না য়াইফনবা কৎচরিবা মহা ধুমেন অসিদা এম এল এ অমখক্তংনা শরুক য়ারিবা, চাউনা শেল পুথোক্লিবা অসিনদি শান্তিগী ধুমেন কৎপা নত্তে, ফম পাম্বগীনি হায়না ওজাশিংনা মান্দব মতায়দা ৱারী শানহৌই। অতোপ্পা এম এল এ অমনসু চীফ মিনিষ্টর ওইনীংলবদি মহাক্নসু অমুক্কা মহা ধুমেন কৎনরক্কদৌরিব্রা হায়বা ৱাহংসু হংনহৌই। মহা ধুমেন অমা কৎপদা সঙ্কীর্ত্তন অদুদা শরুক য়ারিবা পূম্নমক মনা ফি হায়বদি খামেন চৎপা ফৈজোম শেৎতুনা তাল ফাদুনা খুজি পোকচাউবী শিদুনা শরুক য়াগদবনি হায়বগী চৎনবী লৈরবসু কুমসি চহী ২০২৫গী শ্রী গোবিন্দজিদা কৎচবা মহা ধমেন অসিদদি সঙ্কীর্ত্তন অসিদা শরুক য়ারিবা পূম্নমক অমত্তা ওইনা য়ানদুনা মনা ফি শেৎতনা অঙৌবা ফিতমক শেৎলগা থম্মোয় শেংনা অমকপা য়াওদনা মহা ধুমেন অসিবু তশেংনা ইরৈপাক অসিগীদমক খল্লগা কৎচরকপা অসিদা কনাগুম্বা ফম্নাইবশিংনা ৱাখল্লোন অসিবু লানহল্লবদি শোয়দনা মখোয়দো পাপ পুগনিসু হায়নহৌই।

অমবু ওইরবসু - অমবু ওইরবসু পূম্নমকশিং অসি ইবুংঙোগী লীলানি খন্দোকচরগা কুম্মৈ য়েংবদা ৱারবা ননাইশিং অসিবু মতম চূপ্পদা ইবুংঙোগী থৌগল ফংজবা পীনবীয়ু হায়নসু ইবুংঙোগী চরন্দা চঙজরি। অরোইবদা গুরুবু খুরুমজৈ। ●

# লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুশন

- থোইবা ৱাহেং -

তাইবঙ শেম্বা মপু মহাক্লা মীওইবা ঐখোয়দা পীরক্লিবা থৌগাই অসি ঐখোয় মশেল নুংশি চান্ননা হিংমিন্নৌ, অফবা অচুম্বা থবক তৌ, নশা-ইশানা হোৎনরগা নুংঙাইনা মতম খরা হিংলকউ হায়দুনা ঐখোয়বু মালেম তাইবঙপানসিদা থারক্লিবনি। মসিদা ঐখোয় মশেল অহেনবা তান্নবা, তৌবা ঙম্বা উৎনবা, মীনুংশিগী মফম লৈনদবা, অচৌবনা মচাশিংবু তুহৎপীবা, অকনবনা অশোনববু নমথবীবা কয়া ঙসি মালেমদা মীওইবা ঐখোয়না মীওইবা মরক্তা লেপ্পা লৈতনা মীওইবনা তাইবঙপানসিদা হেক লৈরকপদগী অদুম চত্থদুনা তৌনদুনা লাক্লি। অদুবু ৱাহৈদি মীওইবা ঐখোয়সে অফবা-অচুম্বা ঙাঙলি, থবক ওইনদি পাঙথোকপা ঙম্নদ্রি। শম্না হায়রবদা ঐগী-ঐগীনা কনবা হেনমনবনা অসিগুম্বা কয়াসিনা ঐখোয় মশেলদা কয়াদা অৱাবা পীনরিবা। মসিমক্তনা মরম ওইদুনা হীরম খুদিংমক্তা অফবা অচুম্বা মাঙহন্দুনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অনৌবা পল অমা মীওইবা ঐখোয়না শেমদুনা অনেম্বা থাক্তা কুমদুনা ফজখ্রবা মালেম তাইবঙপানসিদা ঐখোয়না ফত্তবা মশক নোংম-নোংমগী ওইহল্লক্লি।

তশেংনা হায়রবদা মীওইবা ঐখোয় মশেল হিংমিন্নবদা ঐগীনা ইমাঙ-ইমাঙদা মীপূম খুদিংমক্লা থম্নরবদি করম্না চাওখৎপা খুন্নাই, অফবা খুন্নাই ওইগনি। মসিমক্তনা মরম ওইদুনা নোং খজিক্তং চুরকপদা ইম্ফাল সহর খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাও থোক্লিবা অসিনি। মীয়ামগী লুচিংবা ওইবা পাম্বা, লূপ মশীংসু মালেমগী ওইনা মশীং খ্বাইদগী হেন্না লৈবা লমদম অসিদা ঐখোয়না থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসি ঐগী-ঐগীনা ইশা-ইশাদা থম্নবনা থোকহনবা, থেংনহনবা ঙাক্তনি। ঐখোয়গী হায়বা অপূনবা ৱাখল মপান্থোংদা উহল্লগা মনুংদনা ঐগী-ঐগীনা হেনবা অকনবা থবক কয়া তৌনবনা ঙসিদি ঐখোয় পূম্নমক অৱাবা ঈপাক্তা পুল্লপ কুমথমিন্নরে হায়বসি তশেংনা চুমদবা ওইরোই। লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক নোং তারগনা মী চৎপা য়াদবা, নুংশা শারগনা উফুলনা মী মশক উদবা, ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেট খক্তগী মীওইশিং লমদম অসিদা লাকপা মতমদা ইরমদম ইরৈবাক অসিগী মীহুৎশিং অসি মখোয়না করি হায়না খল্লমগনি। লোয়ননা লৈবাক মনুংদা ওইরিবা মচৎ-মওং অসিসু মখোয়না তশেংনা ঙক্লমগনি অমদি মীচম মীয়াম ঐখোয়সি লাইবক ফৈ, ফত্তে হায়বসিসু মখোয়না উরমগনি। মসিদা ঐগীনা কনবা, ঐগীনা হেনবা অসিনদি মখোয়না উরমদবসু য়াই। মসিসু মখোয়না খঙলকপা মতমদনা ঐখোয়সিবু মখোয়না করম্না খল্লমগনি। হৌজিক্কী মতমদা মীওইবা অমনা মীওইবা অমদা মতেং পাংবা, মশা-মশাগী হিংনবা হোৎনবনা কনাসু ঙম্নদে। করিগুম্বা পোমিন্নরিবা মচিন-মনাও ফাওবা হন্না য়েংনদবা মতম অদু তশেংনা ওইরে। শম্না মীওই খরা খক নত্তনা মসিমসু য়াম্না তাঙনা থোক্লে। মসি পূম্নমক ঐগী-ঐগীনা কনবদগী ওইরকপা মতম অসিগী চেন্থরক্লিবা ঈচেল অমনি। মসিবু মীওইবা ঐখোয়গী অফবা চাওখৎপগী খুদম অমা ওইহনবদি চুমদবা ওইগনি খল্লি। মসিনা কদৌনুংদা ঐখোয়গী অপূনবা পাঙ্গল শাগৎপা ঙমগনি হায়বগী অশা অদু য়াম্না লাপ্না লৈ হায়বা অসি মতম পূম্বদা অচুম্বা ওইগনি খল্লি। ঙসিদি মীওইবা ঐখোয়না খঙবা, হৈবা হোৎনবা কয়াগী মপান্না ঙমদবা লৈরক্তবা মতম অসিদা খ্বাইদগী পীকপা ঐতগী ওইবা হায়বা ৱাখল অসি লৌথোকপা মতমদা ঐখোয় পূন্না নুংঙাইনা হিংমিন্নবা শোয়দনা ঙমগনি। মদুগী খুদম ঐখোয়না থেংনরিবা কয়া অসিনা ওইবা য়াই। তশেংনমক মীওইবা ঐখোয়না অতোপ্পা গ্রহদা চৎতুনা খুন্দারুরবসু ঐগীনা কনবা হেনবা তারবদি মদুনা কান্নবা অদু করিনো ঐখোয় পূন্না খঙবা, য়েংবা য়াই।

লাকচনীংলিবা ৱাফমদি, ইশামক্তা হিংবা ঙমদবা, য়াদবা, শিনফম খুদিংমক অমত্তা ৱাৎপা য়াদবা মীওইবা ঐখোয়গী মপোক্কী খোঙচৎনি হায়বা অসি মী পূম্নমক্লা খঙবা মথৌ তাই অমদি ঐগী হায়বা অসি খরা খরা থাদোকপা মতমদা ঐখোয় হিংমিন্নবগী অপূনবা মহাও অদু চপ চানা ফংমিন্নগনি। মীওইবনা নোংম-নোংমগী ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলকপা হিংনবা হোৎনবদা ফোয়দুনা লৌনবা, চানবা হায়বসি মশানা অদুম তারকপনি। ঐখোয় মশেল অপূনবা নুংশিনবা লম্বী অমদি থম্বা চুমগনি খল্লি। হৌজিক ওইরিবা ঐখোয় মশেল নুংশিনদবা অসিমদি চুমদবা অমনি খনবা য়াই। হৌজিক্কী মতমদা ঐখোয়গী খুন্নাইদা মীগী মরল-মথুম হাৎলগা অতৈ মখল কয়াগী পাম্বৈ শীজিন্নদুনা হিংগনি খনবা মী মশীং য়াম্না লৈরকপা অসি মীওইবা ঐখোয়গী অফবগী খুদম নত্তে। মসিনা ফূরুপ অসি অফবা লম্বীদা খক লাক্লোই, হেন্না হেন্না শাথীবা হেল্লক্কনি। মসি মীয়ামগী লৈঙাক্লা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশন না পীবা আইন, এক্ট, লো অসি মপাঙ্গল কলহন্দবদগী ওইরকপা ঙাক্তনি। চেগা চিনগা খক্তদা থবক তৌবা লৈঙাক্কী আর্টিকল কয়া অসি য়েংলুরবদি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুশন অসি শেম্বা মথৌ তারক্লি। অচৌবা লৈঙাক্কী মীওইশিংগী মফমদা আইন, এক্ট, লো চত্তবা মখোয়না তৌনীং তৌনীংবা তৌবা অসিনা মথৌ অসি তারক্লিবনি। মী অমগা মী অমগা রাইটস চপ মান্নবগী হক অদু ঙসি ইরমদম অসিদা মফম কদাইদা থমখ্রবগে ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশননা পীরিবা মীওইবগী হক অদু।

অসিগুম্বা কয়া অসি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশন শেম্বদা য়াওখিদবা মাল্লি অদুবু ঐখোয়গী ইরমদম অসিদদি য়াম্না কন্না চঙশিল্লক্লি অদুনা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লোন অসি শেমদোকপা মথৌ তাই হায়রিবনি। মসি কনানা শেমগনি,মীয়ামগী মীহুৎনা শেমদনা মীচম অমনা হেক্তা শেম্বা ঙমগদরা হায়বা ৱাহং অসিনি ঙসি ঐখোয়না হংদুনা মতম পূম্বদা লাক্লিবা। ঙসিদি ইরমদম ইরৈবাক্কী খুন্নাই অসিদা নোংম-নোংমগী অকিবগী মশক অমদা চঙশিল্লক্লি। মফম মরাং খঙদবা অরানবা কয়ানা লৈবাক্কী য়াংলেন শরূ কুপশিল্লক্লিবা অসি কনা লাক্লগা কনবীগনি। তশেংনা মসি উরুবদা ইশাদা অকিবা ফাওই। মহৈ মশিং মতিক চানা হৈরবা লৈঙাক্কী ওফিসর কয়াসু মীয়ামগী অমদি লৈবাক্কী খন্দবা কয়া য়াওরকপা অসিমসু ঐখোয় ঐখোয়গী খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। লোয়ননা শেলদা দিপেন্দ তৌবা হায়বসি ফূরুপ অসিগী খ্বাইদগী অচৌবা মাঙজবনি হায়বা অসিসু খঙবা চুমগনি খল্লি।

লৈবাক অসি শান্তি লৈবা, তংদু লৈতাবা হায়বসি লৈমিন্নরিবা ঐখোয় মশেল নুংশিনবা, অচুম-অরান মশক খঙবা, অতোং-অকুৎ নাইহন্দবা, অচুম্বা অফবা এক্ট, লো চৎনহনবা, মী মচা অচৌবা খায়দবা, মীওইবগী হিংবগী হক চপ মান্নহল্লবা মতম অদুদা মশানা অদুম লমদম অদু ফরক্কনি। হৌজিক ইরমদম মৈত্রবাক অসিদা ওইরিবা মশক অসিদি কনানা অফবা মী লাক্কনি, ফত্তবগী ফত্তবা ঙাক্তা, তশেংনা মী ওইনা পোক্লকপদগী অশেংবা পাপ অদুনি ঙসি ইরমদম অসিদা ঐখোয়না ফংলিবা। মসি পূম্নমক মীওইবা মপোক ওইরুবগী অশেংবা মহয় অদুরা। মসিনি মীচম অমনা হংলিবা ৱাহং। তুহৎপা, নমহৎপা, মীওইবা কয়াগী অচম্বা লম্বী অমদা পীরিবা খুন্নাই অসিগী মশক, তশেংনা অকিবা ফাওরে। ঐখোয়গী খুন্নাইগী মচৎ, অচুম্বা লৈতবা অরানবগী মীচঙদা লৈবা ঙাক্তা ঙাইরবা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুশন। ●

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ১৯

- হৈস্নাম শ্যাম মঙাং -

ঐগী ৱাখনলোন ওইবশিং ফোঙদোকচবা অসিদা কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা শাউবা অমদি নুংঙাইতবা য়াওরল্লবসু শাউবীগনু অমদি নুংঙাইতবা তৌবীগনু, মরমদি মালেম (মাইলেং) অসিদা অনী শুনা লৈতবা, মালেমগী (মাইলেংগী) তোঙান তোঙানবা লোল পূম্নমক্কী মনুং মনুংশিংদা চংদুনা হায়রিবা লোলশিং অদুগী ময়োন (মাইয়োক) ওইনবা ঙম্বা, ঐ (হৈ), নঙ অমদি মা/মহাক (মাই/মাইহাই) ঐখোয় (হৈখোন) অহুম্না ঙসিগী মীলোল অসিদা ঙাঙন-শক্লরিবা লোল অসিগা খ্বাইদগী হেন্না নকশিন্নবা মখলগী লোল ওইবগা লোয়ননা ৱাহন্থোক পীবা ঙম্বালোল অদুগী ৱাহন্থোক মতুংইন্না ফোঙদোকচবনি। মাইলেংগী লোল পূম্নমক্কী ময়োন (মাইয়োক) ওই হায়বগী মতাং অদুদি "লোল অমদি ময়েক" হায়না কৌনবা ৱারেং অসিদা নীংশিংজগে।

ঈপা-ঈপুশিংগী ৱাহন্থোক লৈবা লোল (হৌলাকলোন-হৌরকলোন) অসিবু খঙনরবদি, হায়রিবা লোল মখল অসিনা মরম ওইদুনা ঐ (হৈ) ইশা ইশাগী কোক অমদি হকচাং (হনচাং) অনীগী মনুং মপান অনীমক্তা নপ্তুনা পাল্লিবা কয়াৎ (কাংয়াই) ওইবশিং অদু করি করিনো, ৱাহন্থোক লৈনা করি কৌফম থোকই, লৌফম থোক্লিবশিং অদুগী ৱাহন্থোক্লা করিনো, ৱাহন্থোকশিং অদুগী মতুংইনবা মথৌ মঙমশিংনা করিনো হায়রিবশিং অদু খঙবা ঙম্লক্তুনা ইশানা ইশাবু মশক খঙলক্কনি, হায়বদি ঐ মশক খঙবা ঙম্লক্কনি। মতম অদুগী ঈপা-ঈপুশিং অদুদি ৱা য়াম্না খঙলম্মী, ৱা ঙাক্লা হিংলম্মী হায়না হায়নরল্লিবা অদু অতৈ করিসু নত্তে - ৱাহন্থোক লৈবা লোল য়াম্না খঙলম্মী, ৱাহন্থোক অদুগী মতুংইনবা (ৱা) মাইলম (মরম) ওইবশিং অদুনা (লম) য়েন্থরক্লিবা থবক থৌরম, শিনলম-শিন্থানচিংববু (য়েন) হায়বদি 'ৱালময়েন' ওইবশিংবু ঙাক্লা হিংলম্মী হায়বনি। ঙসিগী মীরোল অসিগী ৱা খঙবা অসিদি লুহোং-খোংদোংবা (লুমওন-খোনতোংপা) অসিবগী থৌরম্নচিংবদা চাং নাইনা শরুক য়াবা ঙম্বা অদুখক্তংবু ৱা খঙবা হায়না খঙনরি।

খাংখিনপা (খাগেমবা) মতম অদু ফাওবদি ইনিংথৌ ওইবা অমমমনা ঈলৈপাক অমদি মীয়াম (মীয়াই) ওইবশিংবু ঙাকপী শেনবীরম্বনা মরম ওইদুনা, ইনিংথৌ ওইবা অমমমগা লৈপাক মীয়ামগা পূন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন লৈনরম্বগা লোয়ননা মতমদুগী লৈঙাক্লোই অমদি মীয়াম (মীয়াই) অনীগী অচেৎপা মরী লৈনরমখি হায়জনীংই। ইনিংথৌ হায়বদু ওইদুনা অশেংবা অমদি অচুম্বা অনীমক ঙাক্তুনা অওইবা অমমম হায়বদি মীওইবা অমমম ওইনরম্বগা লোয়ননা মতমদুগী অঙম-অথৌশিং, য়াইতোং-খমতোংবশিং ফম্নাই-তুনাইপাশিং অমদি তোঙান তোঙানবা থৌলম-থৌতা (থৌরম-থৌদা) অমদি শিনলম-শিন্থা পায়নরম্বা মীয়াম (মীয়াই) ওইবা পুম্নমকশিং অদুদা অদুগুম্বা ইনিংথৌ অমমমগী অশেংবা অমদি অচুম্বা ৱাখল্লোনশিংগী ইথিল পীদুনা লৈঙাক্লম্বনা মরম ওইদুনা ইলৈপাক অসিগী মতমদুগী ইলৈচা ওইবা অমমমনা চীং লৈপাক ওইবা ইলৈপাক অসিগী মপু অমমমনি খন্না হিংমিন্নরম্বগা লোয়ননা ইলৈপাক অসিবু নুংশিজবগী ৱাখল্লোন অদুনা লমজিং ওইরকপদগী ইলৈপাক অসিবু হায়রিবা ইনিংথৌ খাংখিনপা (খাগেমবা) মতম অদু ফাওবদি মপানগী তোঙান তোঙানবা শাফু অমদি য়েক্লবশিংনা লানতালাকপা (লান্দারকপা) পূম্নমকশিংদগী ঙাকথোকপা ঙমনরমখি। মতম অদু ফাওবদি ইলৈপাক অসিদা হিংলমখিবা ইলৈচা পূম্নমকশিংনা নুংঙাই য়াইফনা অমদি য়াইপি মরাং কাইনা পানলমখি হায়জনীংই।

ইলৈপাক অসিগী মীহৌলোন মতমদগী হৌনা শেমগৎ-শাগৎচদুনা ঈপা-ঈপুশিংনা থম্বীরমখিবা হৌলাকলোন (হৌরকলোন), য়ুংপানলোন (য়ূম্বানলোন), লৈনিং-লৈশোন (লাইনীং-লাইশোন), লৈনিং-খুনফম (লাইনিং খুভম), লৈশোন-তিনশোন (লাইশোন-তিনশোন), লৈঙাকলোন, লৈকনলোন, লোইনশিল্লোন অসিনচিংবা চৎনাই কাঙলোন ওইবা পুম্নমকশিংবু মশামক্ক খনবা (মপানগী ওইবা য়াই নৎত্রগা মনুংগী ওইবা য়াই) মীশিং অদুনা মথক মখা ওন্থোক্তুনা মাঙ-তাকহল্লবা মতুং, অদুগুম্বা চৎনাই কাঙলোন ওইবশিং অদু অমুক হন্না হৌগৎলক্তনবা অমদি লৈখা তাদুনা লৈখিনবা হায়দুনা, ঈপা-ঈপুশিং অদুনা য়াবিরমখিবা নত্তবা হায়বদি পুয়া ওইদবা চৎনাই-কাঙলোন ওইবশিংনা ফুনজিন্দুনা থম্বীবা (ফুল) অদুবুনি 'সাইফুল' হায়না কৌনগদৌরিবসি। অমুকসু মী হায়বগী থাক অদুদগী কাখৎখিদুনা মীওইবা হায়বগী থাক অদুদা কাখৎতুনা হিংলিবশিং অদুনা য়েন্থোক্লকপা অশেংবা অমদি অচুম্বা ৱাখল্লোনশিং অদুবু কোকনুংদা য়েনশিন্দুনা থম্নবা হোৎনবগী মহুত্তা হায়বদি 'য়েন' ওইনা লৈহনবগী মহুত্তা... (মথং-মথং) ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২৭কী ৱাহং

১) "য়াঙনা পাইখ্রেদকো পুন্সি" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

২) "নবাব-নন্দিনী" (১৯৭১) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটরগী মমিং ইয়ু।

৩) "ঐগী মরুপ মপাংশিংনা ঐবু খরনি উদে, টেলিফোন তৌবসু ফংদে কদায়দা মাঙলুরিবনো হায়না হংই।"

ৱাহৈ পরেং অসি মণিপুরগী মপান্দা লৈবা অইবা অমনা ইবা লাইরিক্কী ৱাহৈদোক্তা ফোঙদোকপনি। অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৪) "ঐদি ফাওদবা য়াদে" হায়না মিংথোনবা রেদিও দ্রামা অসি য়াওবা লাইরিক অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

৫) "ঈথক্-ঈপোম্" হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।